# ডা. এন অচৌবা লৈখিদবদা অৰাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচএনএস) : ইন্দিয়ন সাইকিয়াত্রিক সোসাইটি (মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ), আই এম এ হাওস লম্ফেল পাৎকী প্রসিদেন্ট ডা. এস মনিকান্ত অমসুং সেক্রেটরি ডা. এস গোজেন্দ্রনা থোরকপা চেরোল অমদা সোসাইটি অসিগী মেম্বর অমা ওইরম্বা ডা. এন অচৌবনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা সোসাইটি অসিগী ওফিসতা এপ্রিল ৩০গী নুংথিল পুং ২.৩০ তারকপদা অৰাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসিনা লৈখিদ্রবগী থৱায়বু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা মিনট অনী তূমিন্না লৈখি। লোয়ননা মহাক্কী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৰাবদসু শরুক য়াবা ফোঙদোকখি হায়রি।

## আই এ এস...

*লামায় ১গী মখা...* সেক্রেটরি অমসুং এম এস এস দিগী মিসন দিরেক্টর অমদি চীফ সেক্রেটরিগী এস ও ওইরম্বা কৃষ্ণকুমারনা বিষ্ণুপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওইরগনি। তমেংলোংগী এস দি ও/দি দি ও মহেশ হিরালাল চৌধরিনা সেনাপতিগী দি সী ওইরগনি। তেংনৌপলগী দি সী সরথচন্দ্র অরোজুনা এদ্যুকেসন এস/টুরিজমগী জোইন্ট সেক্রেটরি অমসুং এম এস এস দিগী মিসন দিরেক্টর ওইরগনি হায়রি।

আই এ এস ওফিসর ১১ অসিগী ফমশিং হোংদোকহনখিবগা লোয়ননা এম সী এস ওফিসর ২১ অমসুং এম এস এস ওফিসর ২গী ফমশিংসু নৌহৌননা হোংদোক্লহনবা অসিদা য়াওরি।

## ক্লাস টেনগী...

*লামায় ১গী মখা...* মাগী মাগী স্কুলশিংদা এগজামিনেসনশিং পাঙথোকহল্লবা মতুংদা প্রমোসন পীনবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়রি।

লোয়ননা হায়রিবা সোল্যুসনশিং অসি থবক্তগা ওন্থোকপদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরক্লগনা ঈ এগজামিনেসন/ওনলাইন এগজামিনেসন্নচিংবা পাঙথোক্লবা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়রি।

কনাগুম্বা পাঙথোক্কনি লেপ্লিবা ক্লাস টেনগী এগজামিনেসন অসিদা থাজবা চাউনা থল্লিবা মহৈরোয়শিংগীদমক্তদি অখন্নবা মেরিট টেষ্ট অমা পাঙথোকপীবসু য়াই হায়রি।

হায়রিবশিং অসি হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিনা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেসন পাঙথোকপা ঙম্লোইদবগী ফীভমদা লাকপা অমসুং ক্লাস আইটতগীনা টেন ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংগীদমক্তগা ফিজিকেল নৎত্রগা ওফলাইন ক্লাসশিং চথুরবসু মখোয়গী সেলেবসশিং কভর তৌনবগী মতম থা ২/৩ খক্তমক ফংলকপদগী হায়রিবা থৌরাংশিং অসি লৌখৎপীনবা হায়জবনি হায়রি।

## হীদাক কাপ্পা ...

*লামায় ১গী মখা...*অসিগী মীওই লিশীং ১ অহানবগী ওইনা রেজিষ্টর তৌবা হৌরে। মী ১৫০ হেন্না হীদাক কাপথোকখ্রে হায়রি।

পি ঐচ সী অসিগী পান্দমদি এ সী অসিগী মীপূম খুদিংমক হীদাক কাপথোকপনি। মরম অসিনা শগোলবন্দ এ সীগী ওইনা পায়খৎলিবা খোঙথাং অসিগীদমক এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইনা থৌদাং লৌজরি। কোভিদ ক্যের কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইনা টেম্পররি পি ঐচ সী অসি হাংদোকপনি। মীয়াম্নসু হীদাক কাপথোকপগা লোয়ননা লৈঙাক্লা পীরিবা কোভিদকী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু। হায়রিবশিং অসি পাঙথোক্লিবমখৈ লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। মরম অসিনা টেম্পররি পি ঐচ সী অসিদা ভেক্সিনেসনগীদমক লাকপীয়ু হায়রি।

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 89.338313 |
| US Dollar | 74.324157 |
| British Pound | 102.698237 |
| Australian Dollar | 57.382488 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.480988 |
| Japanese Yen | 0.679991 |
| Malaysian Ringgit | 18.149080 |
| Singapore Dollar | 55.848979 |
| South Korean Won | 0.066509 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.819775 |
| Thai Baht | 2.383380 |

GAS NEWS
JRONGMEI SK INDANE WANGOI
Booking upto 10/2/21
Valid from 7/2/21
Stk 306
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8119073029/8974426830)

# কৌব্রু লাইফমলেনগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা ফাখিবা মীওই অনী করম্বা ফীভমদা লৈখ্রবগে

ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচ এন এস) : এপ্রিল ১৪গী নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা কৌব্রু লাইফমলেনগী লাইশঙ মৈ থারম্বা অদুগা মরী লৈননা ফাখিবা মীওই অনী অদু মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌবা মীওইনি হায়না তাখি হায়বগা লোয়ননা মখোয় অনীদুগী মথক্তা লোগী ওইবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপ্রা নৎত্রগা লৌখৎতব্রা হায়বদু লৈঙাক্লা মীয়ামদা খঙহনবীয়ু হায়রি।

ৱাফম অসি য়েলহৌমী কনবা অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট লানঙম অঙোমনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বনি।

মহাক্কী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, করিগুম্বা মীওই অনী অদুগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপা লৈরগদি মদুগী ফংফম থোকপা চৈরাক মীয়াম খঙনা পীবিয়ু। লৌখত্তবা ওইরগনা করি মরম লৈবদগী লৌখৎতবনো হায়বদু ময়েক শেংনা লাউথোকপীয়ু। মসি নৎত্রবদি মীয়ামদা চম্মনবা পোকহল্লে। মরম অদুনা মীয়ামদা লৈরিবা চম্মনবা অসি কোকহনবীয়ু হায়রি।

ফুরুপ অমগী লাইনীংগা মরী লৈনবা লাইশঙ মৈ থাদুনা অমাঙ অতা থোকহনবা থৌদোকসিবু ঙসিগী চৎনরিবা লৈঙাকসিগী চৎন-কাঙলোন (লো) না অয়াবা পীব্রা। অয়াবা পীবা ওইরগনা অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা থবক্তু তৌবা য়াদে তৌবীগনু হায়দুনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরিবা মীয়ামগী খোল্লাউ অসিবুনা ঙসিগী লৈঙাক্লা চৎন-কাঙলোন্না য়াদে, ক্রিমিনেলনি হায়দুনা অথিংবা পীগদৌরিব্রা হায়নসু হংলক্লি। মীচম মীয়ামদা চাউনা পোকহল্লিবা চম্মনবা অসি অথুবা মতমদা কোকহনবীয়ু হায়রি।

নাকল অমরোমদনা, মালেমগী অঙৈং অশাগী খল কায়থরক্লে হায়দুনা অকিবগা লোয়ননা লৈঙাক অমদি মীচম মীয়াম্না কুপ্পা অহাঙবা মফম পূন্নমক্তা উ পান্বীশিং থারি। মদুদা লৈঙাক্লসু পূক্নিং চঙনা হোৎনরি। নাকল অমদনা মশানা হৌজরিবা উপাল-ৱাপাল কয়া মরূ ফূক্লা য়ান্থৎতুনা লৈকংলা শেন্লি। মদুদা মীওইবা খুন্নাইবু মরূ ফংনা মুখৎপা ঙম্বা ময়াই কাবা চিঞ্জাক কয়াবু পুথোক্ল বা পোপি পান্বী থাদুনা মশাগী শেন দাল লম্বী ওইরি। অদুগা ক্রোরপতিসু ওইরক্লি হায়রি।

অমুক্তসু ইরমদমসিদা মীতোপনা নোংম-নোংমগী ঈশিং ঈচাওগুম্না হেনগৎলক্তুনা য়েলহৌমী ফুরুপশিং মীতোপকী ইরোলনুংদা লুপখিগদৌরে হায়না মীয়াম হুপ্পা লাউনরি। চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদনা যূম মঙা/তরা নৎত্রগা কুন খক তারগা খুন মমিং অমমম থোন্দুনা নৎত্রগা ফোংনা খুঙ্গং কয়া শেমগৎপা লেপত্রি। অদুগুম্বা খুলশিংদুগী নিংথৌ অমমম লৈরি। নিংথৌশিংদু লৈঙাক্লা মশক খঙব্রা লোয়ননা খুলশিং অদু লৈঙাক্লা রিকগনাইজ তৌব্রা হায়বা ৱাফমসু চেরোল অসিনা হংলক্লি।

ইরমদম অসিগী চীংগী মফম পূম্ন মক্তা খুঙ্গং কয়া লৈরিবগে লোয়ননা নিংথৌ কয়া কষ্টম ওথোরিটিনা মশক মমিং খঙলবগে। মসিসু ঙসিগী লৈঙাক অমদি কষ্টমস ওথোরিটিনা মীচম মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবীফম থোকই।

ঙসি ঙসিমক ৱাথোক ওইরিবা কৌব্রু লাইফমদা নত্তনা অতোপ্পা লাইফমলেন কয়াদসু অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মমাঙথক্তা থোকখিবা লৈখ্রে। মতুংদসু মশীং থিঙমদনা থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। ইরমদমসিগী পুৱারী তুংওইনরগা অনৌবা পুৱারী শেমদুনা মশাগী হোমলেন্দ ওইনবা মঙলান্দা মফম মরাং খঙদবা মীওই কয়া চাওপোক ওইনা অমগী মথংদা অমা পোক্তুনা শাফোংলক্লি। মখোয়দুনা মরু ওইবা লাইফমলেন কয়াবু অতম্ননা মখোয়গী লাইরিক লাইশু হৈরবা অচৌ অশাং কয়াগা কুপ্পা খন্ন-নৈনরগা শুকলৈ লৈতবা পুৱারী কয়া শেমদুনা তোঙান তোঙানবা লমগী মমিং থোন থোন্দুনা লমদমসিগী য়েলহৌমী মীয়াম্বু তক্তনা তংদু লৈতাহন্দ্রি। পূম্নমক অসি লৈঙাক অসিনা মীৎয়েং চঙবীদুনা পায়খৎফম থোকপা থবক পায়খৎপীবগী মতম য়ৌরে। য়েলহৌমী মীচম মীয়াম্নসু য়েলহৌঙেদগী লৈরক্লবা পুৱারীগা শাগোন্নবা মফমশিংদা অতম্ননা খূৎ থারকপা অসিদি তূমিন্না লৈথোকপা ঙম্লোই। মরম অদুনা লৈঙাক্তা কোক চিকপা কয়া লাক্লোই হায়বা ঙমদে। কৌব্রু লাইফমলেনগী ৱাথোক অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু। অরানবা তৌবশিং মীয়াম খঙনা চৈরাক পীয়ু। খুন্দারিবশিং লৈঙাক্লা মফম মশক খঙদোকপীয়ু হায়রি।

## মোদর্ন কোলেজদা ৱাঙ্খ্রে এ সীগী কোভিদ...

*লামায় ১গী মখা...* লাকখিবা কোভিদ কন্ট্রোল রুমগী মোনিটরিং সেল (পুলিস টিম), হোম আইসোলেসন টিম, ঈ সঞ্জিবানি, প্রেস রিলিজ, কোভিদ এদমিসন, সাইকো-সোসল সপোর্ট, আই দি এস পি অমসুং কন্ট্রোল রুমগী টিমশিং অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বঙ্কেট হোলদা নৌনা হাংদোকখিবা ষ্টেট কোভিদ কন্ট্রোল রুমদা হোংলগনি হায়রি।

মরম অসিনা কোভিদকী টিমশিং অসিগী লিদরশিংনা মখোয়গী টিমশিংগা লোয়ননা অৰৈবা ষ্টাফশিং অমসুং আই টিগী মেটরিএলশিংগা লোয়ননা অনৌবা কন্ট্রোল রুম অসিদা মখা তানা মখোয়গী থবকশিং পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

লোয়ননা ঙসি দিরেক্টর অসিনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমদনা এপ্রিল ২৭তা পাঙথোকখিবা ষ্টেট টেক্নিকেল এক্সপার্ট কম্মিটিগী মীটিংনা রেক্কমেন্দেসন তৌরকখিবা অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিদগী এপ্রুভেল লৌবগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্টকী সী এম ও ওফিসতা লৈরিবা ডা. এন হেমন্তকুমার, এম দি (মেদিসিন), দি এন বি (ন্যুরোলোজি) বু ষ্টেট নোদল ওফিসর (কোভিদ ত্রিটমেন্ট প্রোটোকোল) ওইনা খনবগা লোয়ননা খুদক্তগী হেল্থ সর্ভিসেস দিরেক্টোরেটতা য়ুটিলাইজ তৌরগনি হায়রি।

ষ্টেট নোদল ওফিসর অসিনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা কোভিদ হেল্থ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা চত্থবা দ্রগ অমসুং কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী ক্লিনিকেল মেনেজমেন্টদা মতেং পাংবগা লোয়ননা ত্রিটমেন্ট মোদেলিটিশিং য়েংশিনগনি। লোয়ননা হোম আইসোলেসন অমসুং কোভিদ এদমিসন টিমনা মসিগী পেসেন্টশিংগী চপ চাবা হীদাক লাংথকশিং লেপথোকপা অমসুং পলস ওক্সিমিটর য়াওনা ট্রান্সফর নৎত্রগা রিফর তৌবগী তঙাইফদবা লাকপদা কোওর্দিনেসন তৌগনি।

ষ্টেট নোদল ওফিসরনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগীদমক ক্লিনিকেল মেনেজমেন্টদা এক্সপার্টশিং য়াওবা কো ত্রিটমেন্ট কম্মিটি অমা শেমগৎতুনা মসিদা কন্সর্ন তৌবগী থবক পাঙথোক্কনি হায়রি।

## ৱেটলেন্দ কন্নবা ‘গ্রীন গোল্ড’ না ৱা মখল শুনা থারে

*লামায় ১গী মখা...* হায়রিবা মমিং অসি লৌদুনা থোনবনি। মফম অসিদা ফোরেনর কয়া লাক্লবসু ৱা পান্বীগী মখলশিং শুনা উজনবা অমসুং হৌজিক্লা মেদিসিনেল প্লান্ট ওইনসু লৌনরবা ৱা পান্বীশিং য়োকখৎননবা হোৎনবনি। একাদেমিক ওইবা মীৎয়েংদা আয়ুসকী মহৈরোয়শিংনসু মফম অসিদা মখোয়গী প্রাক্টিকেল সেন্টর অমা ওইনা শীজিন্নজবদা মতেং ওইরগনি।

মতম খরগী মমাঙদদি ৱা পান্বীশিং অসি উ পান্বী ওইনা লৌনরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি ৱা পান্বীশিং অসি নাপী ওইনা চিংলে। নাপী ওইনা চিংলবনিনা মসিবু পুথোক পুশিন তৌবদা ফাদোক ফাজিন তৌবগী খুদোংচাদবসু লৈররোই। ৱা পান্বীশিংগী মনুংদা অহানবদা দিয়ুরেবিলিটি, ভজেটাইল অমসুং সষ্টেনেবিলিটি হায়না চাওরাক্লা অহুম থোক্লা খাইদোকই। ৱা শীজিন্নদুনা য়ূম শাবদা মতম চানা ৱা য়ানবা, ঈশিংদা মতম চানা তিংথোক্লগা শীজিন্নরবদি ৱাগী মপাঙ্গল অসি চহী ১০০ ফাওবা লৈগনি। য়োৎনা শাবা য়ূমসু চহী ১০০ চৎপনিনা ৱানা শাবা য়ূমগা মপুন্সি শাংবা চপ মান্নৈ হায়রকখি।

ৱাদগী থোরকপা পোখোকশিংগী মনুংদা ঐখোয়না শোইবুম, শোইদোন অমদি উশোইনচিংবা চারি। মসিগী মথক্তা ৱাদগী চেশাবদগী হেন্দোরক্তুনা হৌজিক্তি লং ওইনা পুথোক্লে। হোটেল অমদি রেষ্টুরেন্টনচিংবদা শীজিন্নরিবা রুমালশিং ফাওবা ৱাদগী শাবা হৌরে। ৱা পান্বীশিং অসি চহী ৩/৩ খুদিংগী য়ান্থৎলবসু অমুক নৌনা চোংখৎলকপনা মুৎহনবা ঙমহন্দে। হায়রিবা ৱা মখল অহুম অসিগী মতিক ময়াইশিং পূন্না য়াওরবা ৱাশিংবু গ্রীন গোল্ড হায়না মমিং থোল্লগা ৱা পান্বীশিংনা নম্লা হৌবা পার্ক অমসু শেমগৎপা ঙম্লে। মসিনা মুৎখ্রগদবা ৱা পান্বীশিং য়োকখৎপা অমসুং মখোয়দগী ফংগদবা পোথোকশিংসু ফংহনবা ঙল্লগনি হায়রি।

মসিগী মথক্তা ইকোলোজিকেল ইমবেলেন্স ওইরকপা, ঈশিং লৈশিল্লক্তবা, অঙৈং-অশাগী ফীভম কায়থরকপা, ক্লাইমেট চেঞ্জ লাকহনবা অমসুং গ্লোবেল ৱার্মিংনচিংবা মায়োক্লরক্লিবা কয়া অসিদগী নৈনরগা হায়রিবা থবকশিং অসি লৌখৎপনি। মতম অমদা য়ারল পাৎ হায়রগা কোম্বিরৈগী পোকফম ওইনা খন্নরম্বদু হৌজিক্তি পাৎসু লৈত্রে, কোম্বীরৈসু হৌদ্রে। ঈশৈদা অমদি লাইরিক্তা শৈথারগসু য়ারল পাৎতা কোম্বীরৈ হৌবা উরক্তবসি চহী ৭০ রোম শুরক্লে। মরম অসিনা ওইহল্লক্লিবা ফীভম অসি করিদগীনো হায়দুনা থিরকপদা হেবিটেদ ফজনা লৈরক্তবদগী ওইরম্বসু য়াই খন্দুনা চাংয়েং অমগা লোয়ননা পাৎ ওইনা তৌরবা মতুংদা মফম অসি পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা মফম অমসু ওইবগী মথক্তা কোম্বীরৈসু লমদম অসিগা শাগোন্নরকপা লৈনি খন্দুনা এপ্রিল ২৬তগী থাবা হৌবনি হায়রি।

কোম্বীরৈগী মতাংদা মহাক্লা মখা তানা হায়, লৈ অসি ইকোপ পাৎতা হৌরি হায়বা তাবদগী চৎতুনা মদুবু অশেংবা কোম্বীরৈ ওইব্রা নৎত্রগা ওইদব্রা হায়বগী মতাংদা এগজামিন তৌবীনবা সী এস আই আরগী সাইন্টিষ্ট ডা. হুইদ্রোম বিরকুমারগা তানজদুনা এগজামিন তৌখি। মসিদা মহাক্লা ইকোপ পাৎতা হৌরম্বা কোম্বীরৈশিং অদু অশেংবনি হায়বগী ওপিনিয়ন পীবিরকখি।

হৌজিক মীয়াম্না গমলাদা নৎত্রগা করিগুম্বা পাত্র অমদা কোম্বীরৈনি হায়দুনা থারিবা লৈশিং অসিগী মনুংদা অশেংবা কোম্বীরৈ ওইদবসু য়াওবা থেংনরে। ইকোপ পাৎতগী কোম্বীরৈশিং অদু মফমদুদা লৈরিবা মীয়াম্না মতেং পাংবীরক্তুনা পূন্না কোম্বীরৈ পান্বী ৭০০ ফূক্তুনা পুরক্লগা য়ারল পাৎতা নৌনা তৌথোক্লবা পাৎকী শরুক্তা থাবা হৌবনি। থবক অসিদা দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী দেপ্যুটি দিরেক্টর টি ব্রজ কুমারনা পেত্রোন ওইবীদুনা থৌদাং লৌবীরগা কোম্বীরৈশিং অসি থাবনি।

হৌজিক গ্রীন গোল্ডন হায়দুনা খঙনরক্লিবা মফম অসিদা উ-ৱা য়াম্না থারে হায়বগী ৱাফম নত্তনা য়ারল পাৎকা শাগোন্নরক্লবা কোম্বীরৈ হায়রিবা লৈসি মরাং কায়না হৌহল্লগা শাৎহন্নবা হোৎনবনি। এপ্রিল ২৬তা থাখিবা কোম্বীরৈ পান্বীশিং হৌজিক ফাওবদদি খুইথরকপা য়াওদ্রি। পান্বীশিং অদুগী মনুংদা য়ারল পাৎকী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম্না পুক্লুং থরো হায়রগসু খঙনবা অপোম্বা পান্বী ৭০মুকসু য়াওরকই। হায়রিবা পান্বীশিং অসি মপূং ফারক্তুনা লাক্লিবা চয়োল অসিগী মনুংদদি শোয়দনা শাৎলগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। য়ারল পাৎকী কোম্বীরৈশিং অসিনা মপূং ফানা শাৎলকপা মতমদা লমদম অসিগী শাগোন্নরক্লিবা লৈ অসি মালেমগী মীয়ামদসু মশক তাক্লগনি। লৈ অসি শিরোই লিলিগুম্না মীপূম তিংনা মশক খঙহন্নবা হোৎনগনি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, হৌখিবা কুমজা ১৯৯৭তা ওজা ময়াম্না শেল খায়জিন্নরগা য়ারল পাৎকী একর ২৫ রোম চাউবা লম অসি লৈখিবনি। অদুবু মসিগী রেজিষ্ট্রেসনদি কুমজা ২০১৮দা য়াম্না থেংনা পব্লিক চেরিটেবল ত্রষ্ট অমনা তৌখি। অদুম ওইনমক মফম অসিদা পায়খৎলক্লিবা থবক অসিদি কুমজা ১৯৯৭ অদুদগী হৌনা হৌরক্লবনি। মফম অসিদা মণিপুর মীয়ামগী ইন্দিজিনস ওইরবা লৈ অসি নিংথিজনা হৌরক্লবদি মসিবু মশক তাকপা ঙম্বগা লোয়ননা ৱা মখলশিং অসিসু মীয়াম্না উবা ফংলগনি হায়রকখি।

## পোজিটিভকী চাংদি ২৫৬তা হন্থরক্লে...

*লামায় ১গী মখা...* কাংপোকপীদা ২, জিরিবামদা ২, নোনেদা ২ অমসুং কামজোংদা টেষ্ট তৌখিবশিংগী মনুংদগী মীওই ১নি হায়রি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ওইনা অপূনবা পোজিটিভ ওইখিবা কেস ২৪২ অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতগী ৫৬, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১১২, থৌবালদগী ১৩, বিষ্ণুপুরদগী ১৭, ককচীংদগী ১৩, উখুলদগী ৪, চূড়াচান্দপুরদগী ১৩, চান্দেলদগী ৩, কাংপোকপীদগী ৪, নোনেদগী ৪, কামজোংদগী ১ অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তগী মীওই ২নি হায়রি।

হায়রিবা মীওইশিং অসি পোজিটিভ ওইবা থেংনবদগী কন্টেনমেন্ট অমসুং মখোয়গী কন্টেক্ট ত্রেসিংনচিংবগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মমাঙদা লৈখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অপূনবা মীওই ৫ লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে হায়রি। মীওইশিং অদুদি বিষ্ণুপুরদগী মশাগী চহী ৮০ শুরবা ১, ইম্ফাল ইষ্টতগী মশাগী চহী ৩৫ শুরবা মীওই ১ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মশাগী চহী ৭৯ শুরবী নুপী অমগা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী মশাগী চহী ৫৮শুরবা নুপা ১ অমসুং মশাগী চহী ৩২ শুরবা নুপা ১নি হায়রি। হায়রিবা মীওইশিং অসি শিজ হোস্পিটালদা ১, রিমসতা ৩ অমসুং জেনিমসতা ১ লৈখিদবনি।

ঙসি লৈখিদবা মীওই মঙা অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিহনখিবা মীওই মশীং ৪১৫ শুরে হায়রি।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৮০ লায়না অসিদগী নাবা ফরক্তুনা দিসচার্জ তৌখি। মীওইশিং অসিগী মনুংদা অমনা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সনি। অদুগা রিমসতগী মীওই ১, জেনিমসতগী ২ অমসুং শিজ হোস্পিটালদগী মীওই ৬ দিসচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা হোম আইসোলেসন্দগী দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৭০নি হায়রি।

ঙসি ফাওবগী রেকোর্দ অসিগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিদা পোজিটিভ ওইরবা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ৩২,১৬১ শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনা মীওই ২৮,৫৭৬নি। অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৫৮৫নি। অদুগা ঙসি ফাওবদা লায়না অসিদগী নাবা ফরক্লবা অপূনবা মীশিংনা ২৯,৯২৩নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৬,৪৭১নি। অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৪৫২নি।

নাবা ফগৎলকপগী চাং চাদা ৯৩.০৪দা লৈরগসু ঙসি ফাওবদা কোভিদ-১৯গী এক্টিভ কেস ১,৮২৩ য়ৌশিল্লক্লে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১,৬৯৫ ওইরগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ১২৮নি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, এপ্রিল ২৫, ২০২১দা ইন্দিগো ফ্লাইট নম্বর ৬ঈ-৬১৮১গী রো ১৬-২১ অমসুং ফ্লাইট নম্বর ৬ঈ-২১গী রো ২৯-৩৫দা তোংলকখিবা এয়র পেসেঞ্জরশিংনা কম্মন কোভিদ কন্ট্রোল রুম (১৮০০৩৪৫৩৮১৮) নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসর (দি এস ও) শিংদা খুদক্তা পাউ পীরক্কদবনি হায়রি।

কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী চৈথেং মায়োক্লরকপদগী ঙসি ফাওবদা পোজিটিভ ওইবা অপূনবা মীশিং ১,৮২৩ শুরক্লবসু হীদাক কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ২,০৭,৭৬৫ য়ৌরে হায়বগা লোয়ননা মশাগী চহী ৪৫ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা মীওইশিংবু রিমস, জেনিমস, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, সী ঐচ সী, পি ঐচ সী অমসুং খনগৎলবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা পন্থদনা হীদাক কাপথোকপীনবসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরদুনা থংন-থংননা নোংমদা মীওই ৫/৫ শিহনবগী থৌদোকসি এপ্রিল ৩০, ২০২১দগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা থোরক্লিবনি।

## ষ্টেট ৫গী এসেমব্লি মীখলগী কাউন্টিং হৌখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*অসিগী মথংদা বি জে পি অমসুং দি এম কেনা সিট ৬/৬ ফংদুনা নক্লা ইন্নবগা লোয়ননা কোংগ্রেসনা সিট ২ ফংখ্রে।

কেরলাদনা অপূনবা সিট ১৪০গী মনুংদা ঙসিদগী হৌখিবা কাউন্টিং অসিদা সী পি আই (এল) না সিট ৬২ ফংদুনা পার্টি পূম্নমক্তগী মাঙজিল থারি। মসিগী মতুংদা কোংগ্রেসনা সিট ২১ ফংদুনা অনীশুবদা লৈরগা সি পি আইনা সিট ১৭ ফংলগা আই য়ু এম এলনা সিট ১৫ ফংবা ঙমখ্রে।

ঙসিদগী হৌখিবা ষ্টেট মঙাগী এসেমব্লি ইলেক্সনশিংগী কাউন্টিংগী লাউথোকপা হৌখ্রবা রিজল্টশিংগী মনুংদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা য়াম্না চাউনা মায় পাকপা ঙমখিবগা লোয়ননা কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজায়নগী পার্টিনসু মীখল অসিদা শিংথানীংঙাই ওইবা মওংদা মায় পাক্লকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপগা লোয়ননা হরাওতয়াম্বা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ত্বিটরদা থাগৎলকপা ৱারোলশিংগী মনুংদা মীখল পাঙথোকখিবা ষ্টেটশিং অসিগী মীয়াম্না বি জে পিগী মীরেপশিংদা সপোর্ট তৌরকখিববুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

তৃণমুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিবু থাগৎলদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা সেন্টরগী মায়কৈদগী ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈঙাক্তা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিবু মায়োক্লনবগীদমক পীবা য়াবা মতেং পূম্নমক পীগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ইচে-ইচলশিংনা বি জে পিবু সপোর্ট তৌবীরকপগীমক্তা থাগৎলি হায়বা ৱাফমসু মহাক্কী ত্বিটরদা ফোঙদোরকখি।

মমাঙথক্তা মহাক্কী পার্টিনা থৌশারুদ্রবসু হৌজিক্তি ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বি জে পিবু শিংথানীংঙাই ওইবা মওংদা সপোর্ট তৌনরক্লি হায়রদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগীদমক বি জে পিনা হোৎনখিগনি হায়খি।

পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা পার্টি অসিগী করিকর্টা পূম্নমক্লা হোৎনখিবা মখোয়গী থৌনাবুসু প্রাইম মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক্কী ত্বিটরদা থাগৎলকখিবা অতোপ্পা ৱাফম অমদা টামিল নাদুদা দি এম কেনা চাউনা মায় পাক্লকপদা পার্টি অসিবু লুচিংলিবা এম কে ষ্টেলিনগী মফমদসু থাগৎপগা লোয়ননা হরাওবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়থীহন্নবা হোৎনবদা রিজনেলগী ওইনা টামিল নাদুগী অনীংবা অপাম্বশিং থুংহনবগা লোয়ননা লৈবাক অসি চাওখৎমিন্ননবা হোৎনমিন্নসি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

ৱাফম অসিগা লোয়ননা টামিল নাদুগী মীয়াম্না বি জে পিনা লুচিংলিবা নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইএন্স (এন দি এ) দা সপোর্ট তৌরকপবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মায়কৈদগী টামিল নাদু মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎকনি হায়বগা লোয়ননা টামিল ফুরুপকী চৎন-কাঙলোনশিং হেন্না মশক থোকহনবদসু মতেং পাংগনি হায়খি।

পুদুচেরিগী ওইনদি এন দি এনা লুচিংবা ওল ইন্দিয়া এন আর সী অমসুং কোংগ্রেসনা লুচিংবা সেক্যুলর দেমোক্রেটিক এলাইএন্সনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবদা অপূনবা সিট ৩০গী মনুংদা এ আই এন আর সীনা সিট ১৬তা মীখল থেংনখিবনি। অদুগা বি জে পিনা সিট ৯দা মখোয়গী মীরেপ থাদোকখিবগা লোয়ননা এ আই এ দি এম কেনা সিট ৫ খক্তদা মীখল থেংনরগা কোংগ্রেসনা অপূনবা সিট ৩০গী মনুংদা ১৪দা মখোয়গী মীরেপশিং থাদোকখিবনি।

চথুরক্লিবা ইলেক্সন কাউন্টিং অসিগী মনুং চন্না এ আই এন আর সীনা মহাক্কী মপাং ওইরিবা বি জে পিগনা মথংশিংনা সিট ১০ অমসুং ৬ মায় পাকপা ঙমখিবগা লোয়ননা মমাঙ থাগী ৬তা পাঙথোকখিবা অপূনবা সিট ৩০গী মীখলগী মনুংদা ১৪গী সিট লাউথোকখিবদা এ আই এন আর সীনা সিট ১০ ফংলগা বি জে পি অমসুং দি এম কেনা ৬/৬ ফংলগা কোংগ্রেসনা ২ ফংবা ঙমখিবনি।

রিজল্ট লাউথোকখ্রবশিংগী মনুংদা পুদুচেরিগী মন্নাদিপেট কন্সটিট্যুএন্সিদগী বি জে পিগী মীরেপ এ নামাসিভায়মনা দি এম কেগী মহাক্কী লম্বা এ কৃষ্ণবু মায়থীবা পীরমখি।

পনবা য়াবদি মায় পাক্লবা বি জে পিগী কেন্দিদেট অসি চৎলিবা চহী অসিমক্তদা কোংগ্রেসতগী তোক্লক্লগা বি জে পিদা য়াওখিবনি।

## এক্টিভ কেস ১,৮২৩ শুরবসু কোভিদ ক্যের...

*লামায় ১গী মখা...* পূন্না লৈগদবা ফমুং ৭৮গী সেন্টর, চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী লানধা টি দি ব্লোক্তা নুপা অমসুং নুপী পূন্না থমগদবা ফমুং ৫০গী সেন্টর, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী সিরুইদা লৈবা টি কে ৱুদলেন্দদা নুপা অমসুং নুপী পূন্না থমগদবা ফমুং ১০০গী সেন্টর, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী হরিনগরদা নুপা অমসুং নুপী পূন্না থমগদবা ফমুং ৪৮গী মোদেল স্কুল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা নুপা অমসুং নুপী পূন্না থমগদবা ফমুং ৫০গী কেপাসিটি লৈবা আই টি আই, ককচীংনি হায়রি।

ওফিস মেমোরেন্দ অসিগী মতুংইন্না হৌজিক ষ্টেট অসিদা লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা কোভিদ-১৯গী কেসশিং অসিগীদমক য়েংলদুনা লৈঙাক্লা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী সেগমেন্ট পূম্নমক্তা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী) শিং হাংদোক্লবা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

হায়রিবা সেন্টরশিং অসিদা সিম্পটোমেটিক কোভিদ-১৯ কেসশিংগী মীওইশিংদা লেম্না হোম আইসোলেসন তৌবগী খুদোংচাবা পীগনি। অদুম ওইনমক হায়রিবা মীওইশিং অদু মখোয় মশাগী ময়ূমদা মরন্নাইগী ওইবা টোইলেট/বাথরুমনচিংবা লৈতবা অকক্লবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিং অদুগী মীওইশিং ওইগদবনি হায়রি।

হায়রিবা সেন্টরশিং অসিগী থবক থৌরম পূম্নমক্লা মরী লৈনরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্টনা থৌদাং লৌগনি। লোয়ননা অসিগুম্বা মখলগী কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিং অসি কদাইৱাইদা হাংদোক্কদগে হায়বদুসু এসেমব্লি সেগমেন্ট অদুগী এম এল এনা লেপথোক্কনি। লোয়ননা দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংনা লেপথোক্লবা ৱাফমশিং অদুগী মতাংদা মদুগী কেপাসিটিগা লোয়ননা হেল্থ অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যের লোইশঙদা পাউ খঙহল্লক্কদবনি হায়রি।

হাংদোক্কদৌরিবা হোম আইসোলেসন সেন্টরশিং অদুদা হেল্থ অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী দিষ্ট্রিক্ট হোম আইসোলেসন টিমনা চাং নাইনা চৎতুনা মতম মতমগী ওইনা হোম আইসোলেসন তৌরিবা মীওইশিং অদুগী চপ চাবশিং খঙদোক্লবা হোৎনগনি। অদুম ওইনমক হেল্থ অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টরগী মায়কৈদগী অকক্লবা ওর্দরশিং থোরক্ত্রবদি কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিং অসিদা ডাক্টর, নর্স অমসুং লোইশঙ অসিগী ষ্টাফশিং থারোই। অদুম ওইনমক মাইল্দ সিম্পটোমেটিক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেসশিংগীদমক্তদি লৈঙাক্কী হেল্থ অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা চলাইবা কোভিদ সেন্টর ৯ লৈরি হায়বসিসু খঙগদবনি হায়রি।

## হিরোইনগা কোন্নন মীয়াম্না ফাবা সিক্যুরিটি...

*লামায় ১গী মখা...* তৌখিবগা লোয়ননা ভাইল অমমমদা হিরোইন নম্বর ফোর গ্রাম ১৩/১৩গুম্বগী চাংদা য়াওরমখি। মখোয় অনীমক মফম অদুদগী মথংশিংৎনা নুংথিলগী পুং ১.৩০ অমসুং ১.৩৮ লোম তারকপদা পুলিসকী মায়কৈদগী পাঙথোকফম থোকপা ফোর্মেলিটিশিং পাঙথোক্লবা মতুংদা ফাগৎলকখিবনি হায়রি।

ইরিলবুং পুলিসনা নম্বর ফোরগা কোন্নন ফাগৎলক্লবা পর্সনেল অনী অদুদা চথুখিবা ৱাহংপাউহংদগী মখোয় অনীনা হায়দোরকপগী মতুংইন্না ক্যামগৈ মুসলিম অৱাং লৈকায়দগী এম দি সলাম অপোকপা এম দি কাহের অমসুং এম দি অবদুল খলিফ (৪২) অপোকপা এম দি অবদুল গানিসু ফাগৎপা ঙমখি। অকোনবা ফারবা মীওই অনীসিদগী অঙাংবা মচুগী প্লাষ্টিক বোটল অমদা য়াওরম্বা নম্বর ফোর গ্রাম ১০, অহাঙবা ভাইল ১৬ অমসুং মখোয়না নম্বর ফোরশিং অসি য়োনখিবগী শেনফম লুপা ২৭,৪০০সু এম দি সলামদগী রিকোভর তৌখি। অদুগা এম দি খলিফতগীনা প্লাষ্টিক্কী বোটল অমদা য়াওরম্বা হিরোইন গ্রাম ৭ অমসুং অহাঙবা ভাইল ৬ রিকোভর তৌরকখি হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা ইরিলবুং পুলিসনা নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোত্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) এক্টকী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপগা লোয়ননা মসিগী ইনভেষ্টিগেসনগী থবকশিং চথুখ্রে হায়রি।

এস পিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর লৈঙাক্লা ৱার এগেনষ্ট দ্রগকী অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লক্লিঙৈদা ময়াই কাবা পোৎলমশিংগা কোন্নন ফাবা মীওইশিং পুলিস পর্সনেল ওইরবসু লেম্না থারোই। মখোয়গী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা এক্সনশিং লোগী মতুংইন্না চপ চানা লৌখৎকনি। মমাঙথক্তসু দ্রগকা মরী লৈননা ফাবা পুলিস অমদি অতৈ পর্সনেলশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা এক্সনশিং লৌখৎতুনা সর্ভিসতগী দিসমিস তৌবা ফাওবা য়াওখ্রে হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## লৈঙাক্লা ভেক্সিন লাখ ৩ ওর্দর তৌখ্রে

*লামায় ১গী মখা...* প্রোটোকোলশিংসু লাউথোরকখ্রে। প্রোটোকোল অসিগী মতুংইন্না নোংমদা কোভিদ ভেক্সিনেসন সেন্টর অমদা টোকন সিষ্টমদা অহানবা লাকপা মীশিংদা খুদোংচাবা পীদুনা নোংমদা মীওই ১০০দা ভেক্সিনেসন অসিগী ফর্ষ্ট দোজগী হীদাক কাপকদবনি। হায়রিবা ভেক্সিনেসন অসিগী বেনিফিসরিশিংদা টোকন পীবগী সিষ্টমসু য়াম্না চেকশিন্না মখোয়না ভেক্সিনেসন সেন্টর অদু য়ৌরবা মতমদা পীগদবনি হায়রি।

সেকেন্দ দোজ কাপকদবা মীওইশিংদনা অসিগুম্বা রেষ্ট্রিকসন অসি লৈরোই। সেকেন্দ দোজগী হীদাক কাপথোকপা য়ারবা মীওইশিংনা মখোয়গী অনীশুবা দোজগী হীদাকশিং কাপকদবনি হায়রি।

দি এফ দব্লিয়ু ও/দি আই ওশিংনা হীদাক কাপ্পগী থবক অসি গভর্ণমেন্টকী হেল্থ ফেসিলিটিশিং ফংবা অমসুং হীদাক অসিবু কাপ্পা য়াহল্লবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা খক্তা কাপকদবনি। মসিনা এ ঈ এফ আইগী কেসশিং থোরকপদা মেনেজ তৌগনি হায়নসু ফোঙদোক্লি। লোয়ননা কম্যুনিতিশিংগী মরক্তা কেম্প বেজগী মওংদা ভেক্সিনেসন কাপ্পগী থবক্তি তৌরোইদবনি হায়রি।

অদুগা মশাগী চহী ১৮দগী ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংদসু হায়রিবা হীদাকশিং অসিগী কন্সাইনমেন্টশিং হেক থুংলবগা পন্থদনা ভেক্সিনেসনগী থবক হৌগনি হায়রি। ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু সেরুম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া পুনেদা ভেক্সিন লাখ ৩গী ওর্দর তৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক হীদাকশিং অদু থুংলবা ঙাইরি হায়রি।

ওর্দর তৌখিবা হীদাকশিং অদু থুংলবগা মাঙজেনা হীদাকশিং অদু লাকপগী নুমিৎ মীয়ামদা খঙহল্লদুনা মদু কাপ্পা হৌনবসু খঙহনগনি হায়রি। মরম অসিনা চহী ১৮দগী ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংদা চথুগদবা অহুমশুবা ফেজগী ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসি মায় পাক্লা পাঙথোক্লবগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবসু খঙহল্লি। ৱাফমসিমক দি এফ দব্লিয়ু ও/দি আই ওশিংনসু মরী লৈনবা হীদাক কাপকদবা মীওইশিংদা খঙহনগদবনি হায়রি।

ওফিস মেমোরেন্দম অসি মরু ওইনা হৌজিক ষ্টেট অসিদা হেনগৎলক্লিবা কোভিদকী কেসশিং অসি য়েংলদুনা কোভিদ ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংনা এস ও পিশিং নিংথিজনা ঙাক্লবগীদমক লৌখৎলকপা খোঙথাংনি হায়রি।

অনৌবা কোভিদ ভেকিসনেসন সেন্টরশিং হাংদোক্তুনা মীয়ামদা হেল্থ ফেসিলিটি ফংহন্নবা অমসুং কোৱিনদা রেজিষ্টর তৌনবগী থবকসু লৌখৎলগনি হায়রি। লোয়ননা কোভিদ ভেক্সিনেসনগীদমক লৌখৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিদা মরু ওইনা মীয়াম্না মতেং পীবিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দোরকহন্দনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীনবসু আপিল তৌখি।